কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ জুলাই ২৭তা মীওই ৪ কোর্ট কারক্লবা জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস জিরিবাম্না খঙহনখ্রে। ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রবা মীওইশিং অদুদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দোলাখাল খুঙ্গংদগী মহম্মদ অলিমুদ্দিন (২২), খুঙ্গং অসিমক্তগী মহম্মদ অবদুল নুর (২০), মহম্মদ অকবর অলি (২১) অমসুং কছারদগী মহম্মদ নুরুল হক লাস্কর (৩১) নি। ইন্দিয়ন পেনাল কোর্টকী সেক্সন ৪৩৬/৩৪গী মখাদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না কুমজা ১৯৮৬তা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মীওইশিং অসি কোর্ট কারক্লবা খঙহনখিবনি।

ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স মণিপুরনা চঙশিল্লকপা থৌশিলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাংমৈদোং ময়াই লৈকায়দা হেন্দ ইন্দ্রোইদরি অমদি স্ৱিৱিং মেছিন ওপরেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী কন্সল্টেটিব মীটিং পাঙথোকখ্রে। রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্সগী সেক্রেটরি সী ঐচ লোকেশ্বরীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিংগী তলবকী মতাংদা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেটিব মীফম অদুদা লমদম অসিদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবী নুপীশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা মশাগী শেন্থোক লন্বী হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্সনা হিম কোনগা খুৎশম্নদুনা লাংমৈদোং মনিং ময়াই লৈকায়দা পাঙথোকখিবা কন্সল্টেটিব মীফম অদুদা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর ওইরক্লবা এ কামেশ্বরনা চীফ গেষ্ট, হিম কোনগী মীহুৎ লাইময়ুম রঞ্জিতা অমদি সেন্টর অসিগী প্রোগ্রাম মেনেজর এম প্রেমিয়র (ইন্টরনেসনল এৱার্দী) না প্রসিদেন্ট, নেসনল এৱার্দী লাইময়ুম অমরেন্দ্র শর্ম্মা, লাইফ্রাকপম ইবোমচা, ৱার্দ নম্বর ১০ মেম্বর লাংমৈদোং গ্রাম পঞ্চায়টকী অমদি ৱার্দ নম্বর ৮ গী মেম্বর মাইবম ওংবী লক্ষ্মীবাইনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা এ কামেশ্বরনা হায়খিবদা, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াম্না ফবা অমদি নুপীশিংদা শেন্থোক লৈহন্নবা অমদি ইশা-ইশাদসু তুংগী লন্বীদা ইনকম জেনরেসন্দা শরুক খরদসু ওইরবসু কান্নগনি। লোয়ননা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টতগী স্কিম কয়াগী কান্নবসু লৌনবা খঙহল্লমখি। হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি নেসনল অদর বেকৱার্দ ফাইনান্স এন্দ দিভলপমেন্ট কোওপরেসন, ন্যু দিল্লি অমদি হিম কোননা শিল্লগা পাঙথোকপনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লোইবগা ট্রেনিগী মশা মশাগী একাউন্টতসু থাগী ষ্টাইপেন্দসু চঙলক্কদবনি হায়রি।

থৌদাং লৌগদবনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐস এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ননবগী মুটাগী ইগজেক্যুটিভ কম্মিতিগী ইমরজেন্সি মীফম অমা ঙরাং নুংথিল পুং ২ দা মুটাগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই তোম্বনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মহৈরোয়শিংনা দিপার্টমেন্টশিং শো লোনশিনখিবা, চহী অসিগী মে থাদগী কনত্রেক্ট অমসুং কেজ্যুএল ইমপ্লোয়িশিংগী তলব পীদবা অমসুং ইনকম টেক্সকী ফোর্ম ১২ ফংদবা য়াওনা খ্বাইদগী নৌনা ওইরক্লিবা ফিভম কয়াগী মতাংদা মেম্বরশিংনা খন্নখি। মেম্বরশিংনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ অহুমসু লৌখ্রে। অহানবা ৱারেপ ওইনা ৱাথোক অসিদা ষ্টেট লৈঙাক অমসং সেন্ট্রেল লৈঙাক্না রেসপোন্দ তৌবদা থিন্থবগী থৌওং অসিবু কন্দেম তৌবা অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিদা এফিলিয়েট তৌবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ মশিন তম্বা ফঙলক্ত্রিবসিগী থৌদাং লৈঙাক অনীনা লৌগদবনি হায়না য়ানখি। তলব নেম্না চাবা কনত্রেক্ট অমসুং কেজ্যুএল ইমপ্লোয়ীশিংগী মে ২০১৮ দগী পীরক্ত্রিবসি ঙাকপিফম থোক্তনা কন্দেম তৌনিঙাই ওই হায়নসু মীফম অদুনা য়ান্নখি। অহুমশুবা ৱারেপ ওইনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা হৌজিক্কী ভি সী প্রোফেসর এ পি পান্দেবু মফম লৌথোক্কবা লোয়ননা মহাক্না ভি সী ওইরিঙৈ মনুংদা তৌখিবা শেল-থুম অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগী অরান অহুইশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা অৱাংবা থাক্কী ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বাইরি কম্মিসন অমা শেম্বীনবা ভিজিটরগী ওফিসতা অমুক হন্না হায়জবা হায়না য়ানখি হায়না প্রোফেসর তোম্বনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা মুটাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খোংজোম সর্কলগী লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিং, থবক্তগী পোত্থাখ্রবা ওজাশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) ঃ সাউর্দন য়ুথ ইন্সেন্টিভ এসোসিএসন (এস ৱাই এ) খোংজোম অমসুং য়ঙ জেনরেসন ফিলান্ত্রোফি ক্লব ফুন্দ্রেনা অনীনা শিন্দুনা হন্দক চহীগী হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামদা খোংজোম প্রাইভেট সেন্তরগী মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি ফুন্দ্রে হায় স্কুল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ১৫শুবা ফেলিসিটেসন থৌরম অদুদা লাঙথেল জি পিগী হান্নগী প্রধান এম দি শদাকট, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতগী রিটয়ার্দ তৌরবা সী ঐচ বিরচন্দ্র, রিটয়ার্দ টিচর এস নিংথেম্বী, রিটয়ার্দ ওদিট ওফিসর সী ঐচ ইতোন, রিটয়ার্দ এঞ্জিনিয়র এম তোম্বা, রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর য়ুরেকা হায় স্কুল এল শ্যামো, ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ সুপরভাইজর কে ধনঞ্জয়, ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী রিটয়ার্দ এগজিক্যুটিভ ওফিসর সী ঐচ চন্দ্রমনি, রিটয়ার্দ সেলেক্সন গ্রেদ লাইব্রেরিয়ন ঐচ জুগিন্দ্রো অমসুং ফুন্দ্রে হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর অশেম ধনঞ্জয়না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা খোংজোম প্রাইভেট সেন্তরগী ওইনা টোপ্পর ৫ অমসুং সেন্তর অসিদা এগজাম থাখিবা স্কুল ৭কী মকোক তারক্লবা মহৈরোয়দা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। লোয়ননা থবক্তগী পোত্থারবা খোংজোম সার্কলগী ওজা ৩দসু খুদোল পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ইকায়খুম্নখিবা থবক্তগী পোত্থারবা ওজাশিং অদুদি ললিট মাধপ শর্ম্মা হায় স্কুলগী রিটায়ার্দ এসিষ্টেন্ট হেদ মাষ্টর চীংথাম অঙৌতোন, য়ুরেকা হায় স্কুলগী রিটয়ার্দ ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী সোইবম জয়চন্দ্র অমসুং লাঙথেল মন্দাকিনি প্রাইমারি স্কুলগী রিটয়ার্দ এসিষ্টেন্ট টিচর এম দি ফজুর রহমননি।

THE 15th FELICITATION FUNCTION
HSLC EXAM - 2018
(KHONGJOM PRIVATE CENTRE)
Held on ... 5th July, 2018
At the Phundrei ... School Hall, Phundrei
...THERN YOUTH ... SOCIA...N, KHON...

থবক্তগী পোত্থারবা ওজাশিং অদুনা মখোয় মখোয়না ওজাগী শিনফমদা থেংনরকপা অৱা নুংঙাই কয়াগী পাউদমসু ময়ামদা থমখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা তাকপী তন্বীরিবা ওজাশিংবু মতম চুপ্পদা নীংশিংগদবনি, ওজাশিংবু মশক খঙবা হায়বসি পুন্সিদা মায় পাক্লবগী অচৌবা খোঙথাংজিল্লিবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু থমখি। এস ৱাই আই এগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম কুল্লবিধুনা থৌরমগী নুংগী ৱারোল পীবদা হায়, খোংজোম সার্কল চাওখৎতনা মণিপুর চাওখৎপা পুরকপা হায়বসি ওইথোক্তবনি। চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইনবগীদমক সার্কল অসিগী মহৈরোয়শিংবু মহৈগী লমদা পূক্নিং চিংশিনবগী ৱাখল্লোন্দগা এস ৱাই আই এ খোংজোমনা অসিগুম্বা থৌরম অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসি চহী খুদিংগী সার্কলশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়খি। ৱাঙাঙলোইশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, মহৈরোয় হায়বা অসি ফুরুপ অসিগী তুংগী য়ূম্বীনি, অফবা খুন্নাই অমা শেমগে হায়রবদি ইচা ইশুশিংবু অফবা মহৈরোয় অমমম ওইহনবা তঙাইফদে। অফবা মহৈরোয় পুথোকপদা মমা মপাগী অমদি ওজাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মহৈরোয়শিংবু মশা মউ ফনবা অমদি তিঞ্জং কায়জংদনা থমগদৌবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট ফোটোগ্রাফর ওফ দি য়র ২০১৭-২০১৮ খনগনি : জিনেন্দ্র মাইবম

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : ফোটোগ্রাফরগী ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা ইমেজেস ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা চহী অসিগী ওইনা মোনোক্রোম, কলর, নেচর, ফোটো ট্রেভেল অমসুং ফোটো জর্নেলিজম হায়বা থিমশিং অসিদা মণিপুর ষ্টেট ফোটোগ্রাফর ওফ দি য়র ২০১৭-২০১৮ খনগনি। মসিদা ষ্টেট অসিগী ফোটোগ্রাফরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়না ইমেজেস ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি জিনেন্দ্র মাইবমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী লালাম্বুংদা লৈবা লালাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকাই য়ুথ দেভলপমেন্ট ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা জিনেন্দ্রনা মখা তানা হায়, হায়রিবা ফোটোগ্রাফর ওফ দি য়র খনগদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী ফোটোগ্রাফিগী লমদা মমিং লৈরবা মীওইশিংনা জুরিমেম্বর ওইগনি। মসিদা শরুক য়ানিংবা ফোটোগ্রাফরশিংনা মথং থা অগষ্ট ১৪ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি তৌগদবনি। অগষ্ট ১৭ তা জুজিং তৌরবা মতুং অগষ্ট ২১ দা ফোটোগ্রাফর ওফ দি য়রগী মনা লাম্থোক্কনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা ইমেজেস ওফ মণিপুরনা চহী কয়া লিশাং শিংনা ফোটোগ্রাফিগী থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাক্লি। ইমেজেস ওফ মণিপুরনা নেসনলগী থাক্তা ফোটোগ্রাফি চাংদম্নবগী কম্পিটিসন অদুমক পাঙথোকখ্রে। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অমুরক পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ইমেজেস ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ইমেজে কোলিগ (সোসাইটি, কালির্ফোনিয়া, য়ু এস এদা এফেলিএট তৌবা ন্যু দিল্লিগী স্কুল ওফ ফোটোটেক্নিককী ব্রাঞ্চ অমা ষ্টেট অসিদা হাংদুনা নুমিৎ ৮ গী ফোটোগ্রাফি কোর্স অমা মমাঙ থাগী ২৮ তগী থা অসিগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখ্রে অমসুং চৎলিবা সেসন ২০১৮-১৯ অসিগী ফোটোগ্রাফিদা চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্স অমসু স্কুল ওফ ফোটোটেক্নিক ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা চহী অসিগী অগষ্ট ১০ দগী হৌগদৌরি।

ষ্টেট অসিগী অতাংবা শা শঙাইবু মালেমদা মশক তাকপদা ফোটোগ্রাফিগী লমদগী ঙমজবা খরা খুদোল তৌবা ওইনা ইমেজেস ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মালেমগী থাক্তা অনিরকশুবা ওইনা সেকেন্দ শঙাই ইন্টরনেসনল সলোন হায়না মীংথোনবা ফোটোগ্রাফি চাংদম্নবা অমসু পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা চাংদম্নবা অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈপাকশিংদগী ফোটোগ্রাফিগী লমদা মশক নাইবা মীওইশিংনা জুরি ওইগনি। চাংদম্নবা অসগী চহী অসিগী অহানবা সেপতেম্বরদগী নবেম্বর ২৩ ফাওবা ওনলাইন সবমিসন তৌরগা নবেম্বর ২৬ তা জুজিং তৌরবা মতুং নম্বের ৩০ দা মনা লাম্থোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

‘এ পি পান্দে লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু করিসু খন্দবা এ পি পান্দে লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুর খুন্নাই অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগা খুৎশম্নরগা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিদা অমোৎপা তৌরম্বা পান্দে অমদি মহাক্কী খোঙবু খূদিংমক মশা-মশাগী ফমদগী ফম থাদোক্কদবনি হায়বা খোঙজং নুমিৎ ৩৬ শুরক্লে। মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা তারবসু তাশিন্নদনা, উরবসু উশিন্নদবা অসি মহৈরোয় খুন্নাই অমদি মীয়াম্বু করিসু লৈতনা লৌবনি হায়না লৌই। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, ঐচ আর দি মিনিষ্টর, গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টরনচিংবশিংনা ইস্যু অসিদা তুমিন্না লৈথোক্লিবা অসিনা তাকপদি এ পি পান্দেনা মখৌ পোংনা হায়রিবা মখোয় ময়ামদগী মহাক্না হেন্না চাওই হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। পাৱর পায়রিবা পোলিটিকেল ওর্গনাইজেসন অমগী পাৱরদা লৈ হায়বগী মতাগুম মীচঙ য়েংদুনা মরাল লৈরবা অমবু কনখৎতুনা থম্বনি হায়না লৌই। মরালনা মপোৎ ফারবা মহাকপু কন্নবা হোৎনরিবা খূদিংমক ইকায়বা ফাওই। মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনবনি হায়না লৌই। এম য়ুগী একাদেমিক দিনশিং, দিপার্টমেন্টকী হেদশিং, এগজা-মিনেসন কন্ট্রোল্লরনচিংবা কয়ামরুম রিজাইন তৌখ্রে। ষ্টাফশিং, ওজাশিংনা নন-কোওপরেসন ফাওবা তৌদুনা এ পি পান্দে লৌথোকউ অমদি ইস্যু অসি অথুবা মতমদা সোল্ভ তৌ হায়না কয়ারক হায়খ্রে। ঙসি ফাওবা তাবা লৈত্রি। য়ুনিভর্সিটি অসি মমিংতগী লৈবগী ৱাহন্থোক থোক্ত্রে হায়বগী ৱাখল্লোনদা মুসুনা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক অমদি সেন্টর খূদিংমক লাইব্রেরি য়াওনা ঙসিদগী ছো লোনশিল্লে। মতম খরা মাঙলবসু তুংদা লাক্কদবা মহৈরোয় অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু কলহৌদ্রবদি হায়বগী ৱাখল্লোনদা মাঙলিবা মতম অদু করিসু অকায়বা লৈতে। মতম অদুগী মমল য়াল্লবা খূদোল অদু শোয়দনা ফংলগনি হায়বা খন্দুনা ঙসিগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি। মসিদা মীপুম খূদিংনা লান্না খনবীগনু। ইস্যু অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মহৈরোয় খূদিংনা মুসু ওফিসতা লাক্লগা খোঙজং অসিবু শৌগৎপীয়ু অমদি মতেং পাংবীয়ু। মরালনা মরেপ থুল্লগা এম য়ুবু করিসু খন্দবা এ পি পান্দে লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি। কোলেজগী মহৈরোয়শিং অমদি মরী লৈনবা খূদিংমক্না মমল য়াল্লবা মতম খরা কায়থোক্তুনা মুসুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ফিজিকেল্লি অমদি মোরেল্লি শৌগৎপীয়ু হায়নসু মখা তারি।

সঞ্জিতা চনুবু অচুম্বা ৱ্রায়েল ফঙহন্নবা সী পি আই (এম)না তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেলথ গেমসকী নুপীগী ৱেটলিফতিংগী কে জি ৫৩ গী কেটিগরিদা গোল্ড মেদল ফঙখিবী সঞ্জিতা চনুবু সী পি আই (এম)গী মণিপুর ষ্টেট সেক্রেটরিএটনা শৌগৎপা ফোঙদোকপগা লোইননা শান্নরোই অসিদা অচুম্বা ৱায়েল ফঙহন্নবা দিমান্দ তৌরি। সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সান্তানা ঙসি মণিপুরগী ৱেথলিফটিংগী শান্নরোয় সঞ্জিতাগী দোপিং ৱাথোক্তা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শান্নরোই সঞ্জিতানা ঙসি পাওনা বাজারদা লৈবা সী পি আই (এম)গী ওফিসতা লাক্তুনা য়ু এস এগী লাস বেগাসতা লৈবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস এন্টি দোপিং এজেন্সি (য়ু এস এ দি এ)না কম্পটিসনগা মরী লৈনদনা মঙোন্দগী হৌখিবা ২০১৭ কী নবেম্বর ১৮ দা লৌখিবা য়ুরিন সেম্পলদা চথখিবা দোপিং টেষ্টকী মরমদা পাউদমখি। য়ু এস এ দি এনা মখোয়গী এনালাইটিকেল ফাইন্দিং অদু ৱেটলিফটিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (দব্লিয়ু এফ আই) অমসুং সঞ্জিতাদা চহী অসিগী মে ১৫ দা থারকখি। কম্যুনিকেসন অদুদা অথিংবা থম্বা টেষ্টোষ্টেরোন (এস ১.১ এনাবোলিক এজেন্টস) অমা এথলেট অসিগী য়ুরিন সেম্পলদা য়াওরল্লে হায়না পনখি। মদুনা মরম ওইদুনা শান্নরোই সঞ্জিতা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা লাক্লিবা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা য়াওবগী খুদোংচাবা ফঙহন্দ্রে। য়ুনিরন টেষ্ট রিজল্ট মরম ওইদুনা এথলেট অসি হিমাচল প্রদেশকী সিলারুকগী ট্রেনিং কেম্পতগী ইন্থোরক্লে। এথলেট সঞ্জিতা চনুনা থম্মোয় শোক্লা হায়রি মদুদি মহাক্না মহাক্কী পার্ফোমেন্স ফগৎনবনি হায়দুনা মহাক্কী পুন্সিদা কৈদৌঙৈদসু এনাবোলিক এজেন্টস শীজিন্নখিদবা লৈতে। য়ুরিন এনালাইসিসকী চাংয়েংদা করম্না মহাক পোজিটিভ ওইরল্লিবনো হায়বা মহাক খঙদে। য়ু এস এ দি এগী লেবোরেটরি এতেন্দেন্টশিংনা শোইবদগী লান্না রিজল্ট লাকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না সঞ্জিতানা থাজে। মরম অদুনা মহাক্না মশাদগী দি এন এ সেম্পল কলেক্সন তৌবগা য়ুরিন সেম্পলগী রিজল্ট কনফার্ম তৌবা পামই। মদুম তৌরবদি রিজল্ট অদু মহাক্না খল্লিবসিগা চপ চানগনি হায়না মহাক্না থাজে।

পার্টি অসিনা মঙোন্দা দিল্লিগী স্পোর্টস এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদা ৱাকৎনবা পাউতাক পীখি। সী পি আই (এম)গী মণিপুর য়ুনিটনা য়ু এস এ দি এনা লৌখিবা য়ুরিন সেম্পল অদু থাঙ্গৈশেংনা মহাক্কীনি নত্রগা নত্তে হায়বদু খঙনবা দি এন এ টেষ্ট তৌদুনা কনফর্ম তৌবগী রাইট এথলেট অসিদা লৈ হায়না লৌই। মরম অদুনা পার্টি অসিনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ওথোরিটিশিংদা সঞ্জিতাগী ক্লেমশিং অসিদা য়েংশিন্নবা অপিল তৌরি লোয়ননা করিগুম্বা রিজল্ট অদু মহাক্না হায়রিবসিগা চানরবদি মহাকপু এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌবা য়াহন্নবা দিমান্দ তৌরি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

ꯃꯥꯡꯂꯦ/WALLET LOST

I have lost my Wallet containing PAN Card, SBI ATM Card, Service Identity Card, Registration Card of Fascino bearing Regn. No. MN01SB 4156 and Voter Identity Card, on the way between Baruni Hill to Thoubal via Imphal on 4/07/2015. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Sagolsem Ashwonikumar Singh
Athokpam Awang Leikai, Thoubal
Contact No. ☎ **9383359889**

HL-P/1785/6

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL

Ref:- Mut Case No. 154/SDC/IW(S) of 2018

1. Naorem Bishorjit Singh S/o (L) N. Girani Singh of Chabung Company.
2. Naorem Naobi Devi W/o N. Bishorjit Singh of Chabung Company.
3. Naorem Naoba Singh S/o (L) N. Girani Singh of Chabung Company.
4. Naorem Chanchan Devi W/o Naorem Naoba Singh of Chabung Company.

...... Petitioners

-Vrs-

Late Naorem Girani Singh S/o (L) Thoiba Singh of Chabung Company.

...... O.P.P

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Mayang Imphal, the 5th July, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Under Patta No. 188, Dag No. 310 গী Area 0.34500 গী মনুংদগী 0.12 acres চাওবা ইঙ্খোল অসি মৃ: নাওরেম গিরানি সিংহ পীতা মৃ: থোইবা সিংহ সাং চবুং কম্পনিগী মমীংদা পান্দুনা লৈরি। হায়রিবা লম অসি পেটিস্নরশিংনা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে মখোয়গী ফংফম থোকপা শরুক্কি মখোয়গী মমীংদা ওনশিনবীরো, ওনশিনগদৌরিবনা Petitioner No. 1 & 2 দা 0.06 acres and Petitioner No. 3 & 4 দা 0.06 acres, Dag No. 310 Village No. 78-Chabung Company। মরম অদুনা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/IW(S), Mayang Imphal গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West (S), Mayang Imphal

HL-P/4064/6

গ্রেজ্যুএসনগী ৬শুবা সেমিষ্টর এগজাম থাখ্রবা মহৈরোয়শিংগী লাইবক লুনা লৈরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা মতিক চাবা থবক মরী লৈনবা ওঠোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবা পায়খৎতনা লৈবা অসিনা চহী অসিদা গ্রেজ্যুএসনগী ৬শুবা সেমিষ্টর অমদি মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি এম আই টিদা, বি ঈ তন্লিবা ৮শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক অরুবা ফীভমদা লৈরি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কোলেজ ৮৬ না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিএট তৌরিবনি। কোলেজ ৮৬ অসিগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট এফিলিএটেদ কোলেজনা ৪১, গভর্ণমেন্ট এইদেদ কোলেজনা ২৩, পর্মেনেন্টলি এফিলিএটেদ প্রাইভেট কোলেজনা ৪, প্রাইভেট এফিলিএটেদ কোলেজনা ১৬ অমসুং টেম্পররি এফিলিএটেদ গভর্ণমেন্ট কোলেজনা ২নি। তোঙান-তোঙানবা কোলেজশিং অসিগী অপূনবা মহৈরোয় ১৫,৯০০ লোম্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা চহীসিগী বি এ, বি এস সী, বি কোম, ৬শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রে। মসিদসু নৎতনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিএট তৌবা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি)দা বি ঈ তম্বা মহৈরোয় ৩৭৩ না ৮শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রবনি। অদুবু, এম য়ুগী ঈরাং অসি ওঠোরিটিনা লোইশিনহনবা ঙমদবনা এগজামশিং অসিগী ফল লাউথোকপদা মতম থেংথবা য়ানা লৈরি।

হীরম অসিগী মতাংদা একাদমিসিয়ন কয়ানা পাউচে অসিদা হায়খি, গ্রেজ্যুএসনগী অরোইবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রবা মহৈরোয় ১৫,৯০০ লোম অসিগী মনুংদা মহৈরোয় কয়াদি মপান লমদা লৈবা অফবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মাষ্টর তমথবা চৎনগদৌরিবনি। অদুবু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা গ্রেজ্যুএসনগী অরোইবা সেমিষ্টরগী এগজাম অসি মতম চানা ফল লাউথোকপা ঙমদ্রবদি মহৈরোয়শিং অসিনা অফবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মাষ্টর তমথনবা হোৎনবা মতমদা এদমিসন ফংলোইদৌরি। মশীং য়াল্লবা মহৈরোয়শিং অসিগী চে য়েংবা অমসুং টেব্যুলেসন তৌবগী থবকশিং অসি নুমিৎ ৫/১০ নিদা হেক্তমক লোইবা য়াবা নত্তে। মরম অসিনা এগজামশিং অসিগী ফল লাউথোকপদা থেংথবা য়াবগী ফীভমদা লৈরিবনি। অফবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী এদমিসন মতমদি অকক্লবা মতম পীরগা লেপ্পক্কনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা এগজাম ফল লাউথোক্ত্রি ঙাইবীয়ু হায়বা য়াবা নত্তে। বি এ, বি এস সী, বি কোমগী তরুকশুবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রবা মহৈরোয় ১৫,৯০০ লোম অসিগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর তমহৌগদৌরিবা অসিনা মহৈরোয় ২,০০০ রোমতনি। অতোপ্পা মহৈরোয়শিং অসিদি মপান লমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা তম্ননবা হোৎনরক্কনি।

অমরোমদা, মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা বেচেলর ওফ এঞ্জিনীয়ারিং (বি ঈ)গী অরোইবা সেমিষ্টরগী এগজাম মায়োক্নখ্রবা মহৈরোয় ৩৭৩ অসিগী মনুংদা অয়াম্বা মহৈরোয়শিংদি মপান লমদা মখা তমথগে হায়রক্কদৌরিবনি। টেক্নিকেল কোর্স অসি মখা তানা তমথনবা হোৎনরকপা মতমদসু এগজাম অসিগী ফল মতম চানা লাউথোকপা ঙমদ্রবদি মহৈরোয়শিংনা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লবতা নৎতনা চহী মাঙবগী ফীভম লাক্কদৌরিবনি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি য়েংলগা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলগা মহৈরোয়শিং অসিগী য়াইফননবা থৌশিল মতম চানা পায়খৎহৌবা চুমগনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরিবা ঈরাং অসি মতম চানা লোইশিনহৌদবা থোক্লবদি লমদমসিগী মহৈরোয় কয়া নীংবা কায়হনবতা নৎতনা মখোয়গী কেরিয়র শেম্নবা হোৎনবদা অচৌবা অপনবা নংগদ্রা হায়বগী অকিবা চাওনা লৈরে হায়নসু একাদমিসিয়ন কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস):

লৈকল্লুপনা শীন্দুনা দি ইনক্লুজন ওফ সনামহীজম ইন দি ইন্দিয়ন মাইনোরিটি রিলিজিয়স গ্রুপ হায়বা হিরমসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা লৈকল্লুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম শ্যামকিশ্বর, ইপাক্কী চ্যেরমেন সাপমচা যাদুমনি অমসুং লৈকল্লুপকী মেম্বর সনসম লৈবাকচাওনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা সনামহী রিলিজন অসি মপুং ফানা ঈকায় খুম্নহন্নবা মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দম পীবা অমদি মরী লৈনবা হায় কোর্টতা পি আই এল থানবা শেম-শাবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা এক্সন কম্মিটিগী থৌ পুনবা মীওই তরেৎসু খনখ্রে।

থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিং অদুদি কনভিনর ওইনা য়াঙ্গোই পিবা অমসুং কো কনভিনরশিং ওইনা সাপমচা যাদুমনিনা লুচিংবা ঈংবা মঙাঙ য়ুম্নামচা, সিমা ফাবা, গৌরো মোইরাংচা অমসুং হুইরোম মুকুলনচিংববু খনখ্রে।

মীফম অসিগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা লৈকল্লুপকী থৌবুরেল য়াঙ্গোই পিবানা হায়খি, লৈবাক কনবা অহল্লুপ (লৈকল্লুপ) অসি লৈবাক্কী অমদি নাৎকী ওইবা হিরমশিংদা অঙম্বা থৌদাং য়াজবা য়েলহৌ লাইনিং হঞ্জিনজরবা ইরমদম অসিগী অহলশিংগী ওইবা লূপনি। মতম অমদা চীংমীশিংগা তম্মীশিংগা ৱাখল মান্নদবগী চাং খরা হেনবা মানবা মতমদুদা করম তৌরগা ঐখোয় থাজনবা অমদি নুংশিনবা পুরক্কদগে হায়বসিদা তম্পাক্কী খুল খরদা চৎখি। খুলশিংগী অদুগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখি অমসুং আই এল পিগী ঈহৌদসু অঙম্বা থৌদাং য়াজখি। লমদম অসিগী খুন্নাইগী লূপশিং মচোই মচোইনবা, মীচম অমদি লুচিংবশিং মফম খঙদনা হাৎলকপা, আই-এমগী ৱাফম্না লৈবাক্কী অরুবা ফীভম ওইহল্লকপদা খুন্নাই অসিগী মরুওইবা লূপশিং উনদুনা খোঙথাং কয়াদা ৱারী শানখি হায়রি। মতম অদুগী ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্ধেনা নাগাগী অল্টর্নেটিব এরেঞ্জমেন্ট পীবদা করি মাংজবা লৈ হায়রকপা মতম অদুদা য়ানিংদবগী ৱারোলশিং পীদুনা মতম অদুগী এম এল এ লাইশোম ইবোমচাগী খুথাংদা হোম মিনিষ্টর মশামক্তা থাখি হায়রি।

ইরমদম অসিগী খুন্নাই, খুন্নাই অসিগী লমচৎ-শাজৎ, থকশি খাশিগী লমদা অফবা খুন্নাই পুরক্লবগী পান্দমদা লাইশু লাইরিকশিং ফোঙদুনা অঙাংশিংদা তন্বীনবা ঙসি ফাওবা হোৎনরি। লৈবাক্কী ওইবা থৌরমশিংদা লূপ অসিগী অহলশিংসু অঙম্বা থাক্তা লৈবাক্কী থৌদাং য়াররক্লি। কংলৈ ইরমদম অসি য়েলহৌঙৈগী ওইবা শাজেল কাঙলোন পুথোক্লবা থাঙ-তাগী ওজাশিং অমসুং অখঙ-অহৈশিংদা লৈবাক্কী থাক্তা মীফম পাঙথোক্তুনা হোৎনরি হায়রি। সনামহী লাইনিংবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী চৎনপথাপকী মাইনোরিটিগী কাঙলুপতা চলহন্দুনা লাইনিং অসিগী লাইনিংলোলশিংবু লৈহল্লি। অদুবু মাইনোরিটি তাবগী খুদোংচাবশিং অদু ফংজবা ঙম্নবা লাইনিং অসিগী লাইনিংলোলশিংগী মীফম অমা শিঞ্জদুনা ঐখোয় পুন্না খন্ন-নৈনমিন্নবগী খুদোংচাবা অদু ফংমিন্ননবা হোৎনরি। সনামহী লাইনিংগী মতাংসি ইন্দিয়াগী কুমজা ২০১১ গী সেসন্সকী মতুংইন্না মণিপুরগী মীশিং অসি লাখ ২৭ রোমনি হায়না উৎলিবসিগী মনুংদা সনামহী লাইনিং চৎপসি মীওই লাখ ২.২২ রোমনি। মরম অসিনা ঐখোয় করি তৌরগা সনামহী লাইনিংলোলশিংগী ফংফম থোক্লিবসি ফংবা ঙমগদগে হায়বা অসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকপনি।

চহী ২গী অঙাং অমা মমাগা লৈমিন্নহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৫ : মণিপুর প্রেটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর)না নুমিৎ ২৬ রোম মমাগা কাইনরুবা চহী অনীগী অঙাং নুপীমচা অমা মমাদা শিন্নদুনা অমুক হন্না লৈমিন্নহনখ্রে। এম সী পি সী আরনা তাখিবা ওর্দর অমনা অঙাং অদুবু মরক্কী ওইনা মমাগা লৈহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পীক্লিবা অঙাং অদু মমাগা অমুক হন্না লৈমিন্নখিবনি হায়রি।

ন: ৪(২১)৭৯-৮০/জে:এন:এম:ডি:এ

ওফিস ওফ ডি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী : ইম্ফাল

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, তাং ৫/৭/২০১৮ ইং

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাডেমী ইম্ফালগী অহাংবা ফম খরা লৌনবগীদমক দরখাষ্ট কৌজরি। পান্থীবশিংনা অচম্বা চেদিংদা ডাইরেক্তর, JNMDA গী মিংদা দরখাষ্ট থাবীরকপা য়াগনি। দরখাষ্ট লৌশিনবগী অরোইবা মতম জুলাইগী তাং ২৩,২০১৮ ইং ওইগনি। দরখাষ্ট থাবীরকপা মতমদা ফমগা চান্নবা মরিলৈনবা দুকুমেনটশিং, নম্বদা ঙাইরিবা পাসপোর্ট ফোটো অনি অমসুং টিলেফোন নম্বর য়াওবীরক্কদবনি।

ফমগী মীং	পোষ্ট মশিং	তলব
(ক) গুরুহন (লাই হরাওবা) -	১	লুপা ১৫৬০০-৩৯১০০ + গ্রেড পে লুপা ৫৪০০
(খ) গুরুহন (চোলোম) -	১	লুপা ১৫৬০০-৩৯১০০ + গ্রেড পে লুপা ৫৪০০
(গ) ম্যুজিসিয়ান (পেনা)-	১	লুপা ৯৩০০-৩৪৮০০ + গ্রেড পে লুপা ৪২০০

গুরুহন চহি :

চৎলিবা ইং ২০১৮, জুলাইগী তাং ১৬ তা মশাগী চহি ৫০দগী তাদবা (এস:টি/এস:সি/ও.বি.সি কেন্দিদেটশিংগীদমক ভারত সরকারগী নিয়ম মতুংইন্না কোমথোক্কনি)।

মহৈগী থাক :

(ক)মরি লৈনবা বিষয়দা য়ামদ্রবদা জে:এন:এম:ডি:এ: দগী সেকেন্দ ক্লাস পোষ্ট গ্রেজুয়েট/পোষ্ট ডিপ্লোমা কোর্স পাস তৌবা নত্রগা মান্না থাক্কী ডিপ্লোমা পায়বা।

(খ) শকখঙলবা এডুকেসন বোর্ড/বিশ্ববিদ্যালয় অমদা এফিলিয়েট তৌরবা শকখঙলবা মহৈতমফম অমদগী নত্রগা সঙ্গীত নাটক একাদেমী/কেন্দ্রয়া দিপাটমেন্ট ওফ কলচর/রাজ্য ডিপার্টমেন্ট ওফ কলচরগী শেনথংনা চলাইবা রেজিষ্টর তৌরবা কলচরেল ওর্গানাইজেসন অমদগী য়ামদ্রবদা চহি ১২গী খঙ-হৈরবা ওঝা নত্রগা আর্টিষ্ট ওইগদবনি নত্রগা সঙ্গীত নাটক একাডেমীগী এৱার্ড ফংবা মীওই ওইগদবনি।

হেন্না পাম্বদি :

(ক) ক্লাস টেন পাস তৌরবা (ফম অনিমক্কী)

(খ)সংস্কৃতকী জ্ঞান লৈবা (গুরুহন চোলোমগী ওইনা)

ম্যুজিকসিয়ান (পেনা):

চহি: চৎলিবা ২০১৮ ইং জুলাইগী তাং ২৩ দা মশাগী চহি ৪০ দগী হেন্দবা

মহৈগী থাক :

(ক) ক্লাস টেন পাস তৌবা

(খ) ফমশক অমসুং লাইরোল শকপা ঙম্বা

(খ) পেনা শেম্বসু ঙম্বা

হেন্না পাম্বদি : পেনা নিংথিনা খোংবা অমদি অতোপ্পা যন্ত্রশিংগী সুরগা চাশিন্না খোংবা ঙম্বগী জ্ঞান লৈবা।

খঙজিনবিগদবা:

(ক) হান্না থবক তৌরবা ওঝা-গুরুশিংনা প্রোপর চেনেলদা দরখাষ্ট থাবীরকপা য়াগনি।

(খ) অকুপ্পা মরোল একাদেমীগী ওফিসতগী খঙবীবা য়াঙনি।

The Academy reserve the right to reject any/or all applications and cancel the proceedings/recruitment at any time without assigning any reason thereof.

HL-P/1782/6

Sd/- **Administrative Officer, JNMDA**